পূক্নিং লৌশিং | বামোন অমুমচা

# বীরবলগী লৌশিং

ইন্দিয়াদা মুসলমানশিংনা পানবা মতমদা লৈবাক অসিগী ওইনা মরম খূদিংমক্তা চাউখৎলকপা অদুনা মরম ওইরগা খ্বাইদগী কল্লক্কবা নিংথৌরেল অসি অকবরনা ওইখি। অকবরনা লৈঙাক্তা চাউখৎলিবসি মহাক্কী মখাদা লৈরিবা ফম্নাইবশিংগী মতিক মগুণদগীনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অমদা নিংথৌরেলবু চাংয়েং তৌবা পাম্বা নিংথৌ খরনা নিংথৌরেলবু শিংনদুনা ব্রাহং কয়া হংনরকখি। করিগুম্বা ব্রাহংশিং অদুগী পাউখুম মতিক চানা পীবা ঙমদ্রগদি অকবরনা নিংথৌশিং অদুগী মখাদা লৈগদবনি হায়বা ফাউবা য়ৌনা শিংনরকখি। মদুগী মরক্তগী লৌখৎচবা ব্রারেং অমা ওইনা মীয়ামদা লাম্থোকচরিবা বীরবলগী লৌশিংনি।

নোংমদি লৈবাক অমগী নিংথৌনা লাইফদিবি অহুমখক থারক্লম্মী। অদুগা লোয়ননা চিথি অমসু থারক্লম্মী। চিথি অদুদা ইরক্লম্মী। "ইকাইখুম্নজরবা নিংথৌরেলনা লাইফদিবি অহুম অসিগী খেন্নবা য়াম্না ময়েক শেংনা তাকপীরক্কদৌবনি। করিগুম্বা খেন্নবা অদু তাকপীবা ঙমদ্রগনা অদোম্না ঐহাক্কী ইখা পোনবীগদবনি। করিগুম্বা ঙম্লগনা অদোমগী নখা পোনজগনি।"

অকবরনা খুদক্তা মহাক্কী দরবার কৌদুনা ব্রাফম অসি খন্নরম্মী। অদুবু দরবার অদুগী ফম্নাইবা অমত্তনা লাইফদিবি অহুম অদুগী খেন্নবা পুথোকপা ঙম্লমদে। লাইফদিবি অহুম অদু চপ মান্নরম্মী।

মমৈথংদা অকবরনা মহাক্কী অচানবা ফম্নাইবা বীরবলদা লাইফদিবি অহুম অদুগী খেন্নবা পুথোক্নবা শিন্নরম্মী। বীরবলনা লাইফদিবি অহুম অদু মুন্না য়েংলগা নিংথৌরেলদা লংলা অমা পীবিনবা হঙ্গৎচরম্মী। খুদক্তা লংলা অদু বীরবলদা শিন্নরম্মী।

বীরবলনা লাইফদিবি খুদিংমক অদুগী মনাকোংদা লংলা অদু লেংশিলম্মী অদুগা হায়রক্লম্মী। "ইনিংথৌ অহানবা লাইফদিবিনা লংলা অসি মনাকোং অমদা লেংশিল্লগা মনাকোং অমদা ফাওদোকখি। অনীশুবা লাইফদিবী অসিনা মনাকোংদা লংলা লেংশিনবা মতমদা ময়াদা ফাওদোকখি। অদুগা অহুমশুবা অসিনা মনাকোংদা লেংশিনবা লংলা অদু মপান্দা থোরক্ত্রে মবুক মনুংদা চংখ্রে। খেন্নরিবসি অসিনি।

বীরবলনা মখা তারকই, "ইনিংথৌ লাইফদিবি অহুম অসিনা তাক্লিবসি তাইবংসিদা মী মখল অহুম লৈ। অহানবা মখল অদুনা মনাকোং অমদা লংলা থিংজিলগা অমদা ফাওদোকখিবগুম মখোয়না তারিবদু করিসু লৌশিনবা ঙমহৌদে। অনীশুবা মখল অসিনা মনাকোংদা লেংশিনবা লংলা ময়াদা থোরকপগুম মখোয়না তারিবশিং অদু করিমত্তা খন্থবা তৌদনা লোইনা ঙাংথোকখি। অদুগা অহুমশুবা মখল অসিনা মনাকোংদা লেংশিনবা লংলা অদু মপান্দা থোরক্তবগুম্না মীনা হায়রকপা খুদিংমক তাশিল্লগা মুন্না খন্থদুনা কান্নবা লৌহৌনবা হোৎনৈ। কান্নদবদা ব্রা ঙাংথোক্ত্রে।"

নিংথৌরেল অকবরনা ব্রাফম অদু য়ানিংবগা লোয়ননা বীরবলনা হায়রিবা ব্রাফম পূম্নমক ময়েক শেংনা ইদুনা শিংনরক্লিবা নিংথৌ অদুদা লাইফদিবি অহুম অদু হনখিরম্মী। নিংথৌ অদুনা বীরবলনা পুথোরক্লিবা ব্রাফম অদু য়ানিংদুনা অকবরগী মখা পোনবা মরুপ ওইবা য়ারম্মী।

বীরবলনা পুথোক্লিবা মী মখল অহুম অসিগী মরক্তা করম্বা ওইবীনিংবা হায়বদুদি অদোম অদোম্না খন্থবীরো।

## ফার্ম লোন কোকপগী প্রোপোজেল অমত্তা লৈত্রি

*এজেন্সিদগী*
*নিউ দিল্লি, জুলাই ১৮ঃ*

লৈঙাক্না ফার্মশিংদা পীথখিবা লোনশিং কোক্নবগী ব্রাফম অমত্তা ঙসি ফাওবা খন্নবা লৈত্রি। মসিগী মরমদি লৈঙাক অসিনা ঙসি ফাওবা লোনশিং অদু কোকপিনবা হায়জ চেরোল অমত্তা থেংনদ্রি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুম ওইনমক পার্লিয়ামেন্টতা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা পাউদা মমাঙগী লৈঙাক্না লৌমীশিংদা খুদোং চাবা পীবা ওইনা শেনদোল অসি খরা হন্থরগা লৌমীশিংনা থিবা য়ানবা শেমদোকখ্রবনি। মরমসিদগী উত্তর প্রদেস, পঞ্জাব, মহারাস্ত্র অমসুং কর্নাতকা লৈঙাকশিংনা হন্দক্কী চহী অসিদগী লৌমীশিংগী লোন কোক্নবগী ব্রাফম হৌদোকখ্রে।

অনৌবা স্কীম অমগী মখাদা লৌমীশিংদা মখোয়না তোল্লিবা শেনফম অদুদগী তাথনা লৌনবা থৌরাং মাঙজৌননা পায়খৎতুনা লাক্লবনি। মরমসিদগী মথক্তা পনখ্রিবা ষ্টেটশিং অদুগী লৈঙাকশিংনা হন্দক্কী চহী অসিগী ওইনা লৌমীশিংদগী শেনফম অমত্তা কক্তনবা থৌশিল অসি পায়খৎলকপনি।

চহী অমদা লুপা লাক্ষ ৩ লোমগী ওইনা চহী অমগী ক্রোপ লোন কয়া অমা অতেনবা মতমগী মনুংদা রিকোভর তৌনবা থৌশিল অমসু য়াৎখ্রে। হায়না রাজ্য সভাগী মীফমদা মণিপুরগী এম পি না থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

রজ্য সভাগী মীখলদা মায় পাক্লবশিংনা গভর্ণমেন্টনা হন্দক লৌরিবা থৌশিল কয়া অসিগী মতাংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী শেমগৎ–শাগৎনবা হোৎনগনি হায়বগী পান্দম নত্তনা ওইথোক্লোই।

রজ্য সভাদা হংলকখিবা ব্রাহংগী পাউখুমগা মরী লৈনবা পাউখুম অমদা নেসনেল সেম্পল সর্ভে স্কিম কৌবা অমা হন্দক পায়খৎকনি হায়না লাউথোকখিবা মতূংদা ঙসি ফাওবা হায়রিবা স্কিমশিং অসিগী শেনফম কয়া থাদোকখ্রবগে হায়বসিগী প্রমান অমত্তা লৈত্রে। মরমসিদগী হন্থবা চাংদা শেনদোল শিংনবগী খুদোং চাবা অমা পীনবগীদমক গভর্ণমেন্টনা লুপা লাক্ষ ৩ ফাওবগী অতেনবা মতমগী মনুংদা শিংগদবা লৌমীশিংগী লোনশিং চহী অমখক্কী ওইনা পীদুনা শেনদোল কোকহন্নবগী থৌরাং অমা য়াৎলি হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর এগ্রিকলচর পরসোতম রুপালানা ফোঙদোকখি। শেনফম অদু চাদা চহী অমদা লুপা ৭ কী চাংদা লৌনবগীদমক পীথগদৌরিবনি। মখা তারকপদা শেনদোলগী শেন্দোই অসি চাদা ৪ গী চাংদা হন্থরকপসু য়ারি।

হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্না চাংচৎ অমদা শেমদোক্তুনা থমখ্রবা লৌমীশিংগী অব্রাৎ–অপাশিং অদু মেনশিন্নবা হোৎনবা মতমদা তঙাই ফদনা লৈকাই লৈকাই খুদিংগী ট্রাসফোর্মরশিং শিন্দোক্লবা থৌরাং অমসু লৈরে। পনবা য়াবা অমনা এন এস এস ও গী ২০১৩ দা পীরকখিবা রিপোর্ট অমদা লৌমীশিংনা মদুদগী ফংবা এগ্রিকলচরগা মরী লৈনবা লোনগী চপ চাবা লুপা লাক্ষ ৬,৪২৬ তা থাংগৎখ্রবনি। থৌশিল অসিনা চৎনবা ঙম্লগদি সেন্টর অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা খ্বাইদগী চাউবা ষ্টেক হোলদর অমনি হায়না লৈজরগসু হন্দক্তী ইন্দিয়া–চাইনা বোর্দরদা লৈঙাক অসিগী লাম্মী মশেল উংখৎনবগী থৌদোক থোক্লিবদু সেন্টরদা অখন্নবা পাউ অমত্তা ফংদ্রি হায়না ফোঙদোক্লকপসু লৈখ্রবনি।

## গারী এক্সিদেন্টতা অমা শিরে পেসেঞ্জর ২৯ হেন্না অশোক–অপন নংখ্রে

*এন ই এন এস*
*চন্দিগর, জুলাই ১৮ঃ*

হরিয়ানাগী সির্শা দিষ্ট্রিক্টকী নেসনেল হায়ৱে অমদা মীওই ৪০ তোংলকপা বস অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী নহা ওইরিবা মীওই অমা শিরে অমসুং মীওই ২৯ অশোক–অপন নংখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা হায়রি।

পঞ্জাবকী মালৌটতগী সির্শা দিষ্ট্রিক্টকী সিকন্দরপুরগী মনুং চনবা দেরা তান্না লাকপগী লম্বীদা এক্সিদেন্ট অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা অশোক–অপন নংলবশিং অদুগী মনুংদা অয়াম্বদি নুপীনি হায়রি।

পঞ্জাবকী মালৌটতগী মশাগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবা অমিৎকুমার কৌবা মীওই অমা বস অদুনা এক্সিদেন্ট থোকপা মতমদা চপখাইদুনা শিখি। পেসেঞ্জর ২৯ অদুগী মনুংদা অয়াম্বনা নুপী ঙাক্তনি অমসুং মখোয় মখল মখা কয়াগী অশোক–অপন নংখি। দ্রাইভর অমসুং কন্দক্টর য়াওনা পুন্না বস অদুদা নুপী ৩০ অমসুং নুপা ১০ তোংলকখিবনি হায়না সির্শা দিষ্ট্রিক্টকী ওধান পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর জগদিসচন্দ্রনা ফোঙদোকখি হায়রি।

### Facility Centres Employees' Association of MACS (FaCEAMACS)

*Ref No. 01-IC-FCEA/MACS/17* *Date 14/7/2017*

**NOTICE**

As per resolution passed by the Emergency General Body Meeting of the Association held on the 26th June 2017 at FaCEAMACS office, Moirangkhom Bazar, Imphal the 2nd Annual General Body Meeting of the Association will be held on the 23rd July 2017 at 11:30 a.m at MDU Hall, Yaiskul Police lane, Imphal to discuss and transact the following agenda.

**Agenda :**

1. Annual progress report for the year 2016-17
2. Annual financial statement report for the year 2016-17
3. Membership fees, contribution and donations
4. Regularisation/Equal p[ay for equal work and EPF
5. Selection/Election of office bearers
6. Misc.

A mass signature campaign for regularisation/equal pay for equal work principle shall be prepared on the same day. Therefore all family members of the Association are requested to attend the 2nd annual General Body Meeting of Association in time.

**Sd/-**
(O. Arunkumar Singh)
Secretary

*SANA/Bill/Chandra/19*

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Cass No. 254/SDC/B/IE/2017*

1. Yumnam Kanta Meitei
   S/o (L) Y. Lilasing Meitei
   of Khongman Zone - (V) West
2. -do- Santa Meitei S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Hemanta Meitei S/o (L) -do- of -do-

*- Petitioners*

***-Verses-***

Yumnam Lila Singh
S/o (L) Pungou Singh of Khongman

*- Pattadar*

**NOTICE**

*Bashikhong,the 18th July 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইঃ ইঃ তাহসিল খুল নং ৫১ – খোংমন পট্টা নং ১৪ অরীবা ৩৩৪ অনৌবা দাগ নং ৩৮৭ মোট এরিয়া ০.৪৮ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার য়াম্নাম লিলা সিংহ পীং মৃঃ পুংঙৌ সিংহ সাং খোংমন দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে, অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনী, মতূং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

*SANA/2435/19*

### In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**

*Ref. :- Mutation Cass No. 255/SDC/B/IE/2017*

Moirangjam Opendro Meitei
S/o (L) Bidhu Meitei
of Kyamgei Mamang Leikai

*- Petitioner*

***-Verses-***

Moirangjam Bidhu Singh
S/o (L) M. Birachandra
of Kyamgei Mamang Leikai

*- Pattadar*

**NOTICE**

*Bashikhong,the 18th July 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইঃ ইঃ তাহসিল খুল নং ৬৮ – কিয়ামগৈ পট্টা নং ৭১৩ অরীবা ৪৯৩ অনৌবা দাগ নং ১৪৫৯, ১৪৬১ মোট এরিয়া ০.৬৮ + .২২ একর চাওবা লৌফম অসিগী পট্টাদার মোইরাংজম বীধু সিংহ পীং মৃঃ বীরচন্দ্রা সিংহ সাং কিয়ামগৈ দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা লৌফম অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে, অমসুং নমা ওন্থোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতূং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনী, মতূং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতূং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

*SANA/2435/19*

## EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাও

### Oil India Limited recruitment 2017 – Senior Officer, Senior Engineer

Oil India Limited released new notification on their official website oil-india.com for the recruitment of total 42 (forty two) jobs out of which 07 (seven) vacancies for Senior Officer, 07 (seven) for Senior Engineer & Various Vacancies. Job seekers should apply from 13th July 2017 and before 12th August 2017.

Government Organization:- Oil India Limited
Post info:- Senior Officer, Senior Engineer
Posting:- Assam
Official website: oil-india.com
Oil India Limited careers 2017
Senior Officer: 07 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for Oil India Limited Senior Officer job should have Post Graduate degree in Management/ Business Administration / Personnel Management. / Social Welfare / Social work / Industrial Relations.
Salary Structure:- Rs. 32900 – 58000/- Per Month
Senior Engineer: 07 vacancies

Qualification:- Aspirants who decided to join Oil India Limited Senior Engineer posts should have Graduate or Post Graduate in relevant Engineering.
Salary breakup:- Rs. 32900 – 58000/- Per Month
Age Limit:-

Senior Officer: 34 years
Senior Engineer: 32 years
Selection Process:- Selection will be made on through Written Test, GD, Viva Voce and Pre Employment Medical Examination.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Senior Officer, Senior Engineer vacancies should pay the below charges through Online.
SC/ST/PWD: Nil
Others: Rs. 500/- (Rupee five hundred only)
How to apply for Oil India Limited vacancies 2017:- Eligible applicants may apply Online through the website www.oil-india.com from 13.07.2017 to 12.08.2017.
Important Dates to remember:-
Starting Date: 13.07.2017
Closing Date: 12.08.2017
Fee Last Date: 16.08.2017

### KRCL recruitment 2017 – Graduate Engineers

Konkan Railway Corporation Limited released new notification on their official website konkanrailway.com for the recruitment of 12 (twelve) vacancies for Graduate Engineers. Job seekers should register till 13th August 2017.

Govt. Agency Name:- Konkan Railway Corporation Limited
Job Name:- Graduate Engineers
Location:- All India
Advt No.:- CO/P-R/06/ 2017
Official Web portal: konkanrailway.com
KRCL recruitment 2017 apply online
Graduate Engineers: 12 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for KRCL Graduate Engineers job should have Full time regular Bachelor's Degree in Engineering or Technology with not less than 65% marks in aggregate taking average of all the Semesters/Years.
Salary Structure:- Rs. 9300 – 34800/- Grade pay – 4800/- Per Month
Age Limit:- 25 years as on 01/01/2017 (relaxed by 5 years for SC/ST, 3 years for OBC)

Hiring Process:- Selection will be based on GATE Score, GD and Interview.
Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Graduate Engineers vacancy should pay the below charges through Demand draft in favour of FA & CAO/KRCL and payable at Navi Mumbai.

SC/ST: Nil
Others: Rs. 500/- (Rupee five hundred only)
How to apply for KRCL jobs 2017:- Interested and Eligible applicants may apply Online through the website www.konkanrailway.com on or before 13.08.2017 and send hard copy of online application along with all requisite documents to Senior Recruitment Officer, Konkan Railway Corporation Ltd, Belapur Bhavan, Sec-11, CBD/ Belapur, Navi Mumbai-400614 on or before 14.08.2017.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 13.08.2017
Last Date of Submission Hard Copy of Online Application: 14.08.2017

### SCTIMST notification 2017 – Research Nurse

Sree Chitra Tirunal Institute for Medical Science and Technology released new notification on their official website sctimst.ac.in for the recruitment of 03 (three) vacancies for Research Nurse. Walk-in-Interview 25th July 2017.

Government Organization:- Sree Chitra Tirunal Institute for Medical Science and Technology
Post info:- Research Nurse
Posting:- Thiruvananthapuram (Kerala)
Official Web portal: sctimst.ac.in
SCTIMST latest recruitment
Research Nurse: 03 vacancies
Qualification:- Aspirants who decided to join SCTIMST Research Nurse posts should have B.Sc Nursing.
Salary breakup:- Rs. 24000/- Per Month
Age Limit:- 35 years as on 31/07/2017

Selection Process:- SCTIMST will be conduct the Interview for Research Nurse vacancy.
How to apply for SCTIMST vacancies 2017:- Candidates may appear for Interview along with bio-data, original & attested copies of certificates to prove age, qualification, experience at the time of interview.
Venue:- Mini Conference Hall, 3rd Floor, AMC Building Sree Chitra Tirunal Institute for Medical Sciences and Technology, Medical College Campus, Trivandrum-11.
Important Dates to remember:-
Date & Time of Interview: 25.07.2017 at 10:00 AM

### NRHM Recruitment 2017 apply for 909 Medical officer vacancies

The National Rural Health Mission (NRHM), now under National Health Mission is an initiative undertaken by the government of India to address the health needs of under-served rural areas. Launched in April 2005 by Indian Prime Minister Manmohan Singh, the NRHM was initially tasked with addressing the health needs of 18 states that had been identified as having weak public health indicators.
741 Medical officer in NRHM:- 27th July 2017

National Rural Health mission released new notification on their official website for the recruitment of total 741 (Seven Hundred Forty One) jobs for Medical officer. Job seekers should apply online / offline before 27th July 2017.

Govt Department:- National Rural Health mission
Post Name:- Medical officer
Job Location:- Jharkhand
Last Date:- 27th July 2017
NRHM Career 2017 Alert
Medical officer:- 741 vacancies
Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Medical officer should have BAMS / CAMS / BLIMS / GUMS from recognized university / college with completion of compulsory internship or BHMS / DHMS from recognized university / college with completion of compulsory

Salary Structure:- Rs 22000/- Per Month
Age Limit:- Maximum 45 years as on 1st August 2017.
Selection Process:- On the basis of Merit.
How to apply for recruitment NRHM 2017:- Applicants may apply online through official website www.sams.co.in or hard copy of application form send to SAMS post box no 9780, New Delhi on or before 27th July 2017.
Important Dates to remember:-
Closing Date: 27/07/2017

## ঈ এস সুন্দর

## কাওশীং

*(লমদম অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অমদি লালহৌবা অনীগী মরক্তা লৈরিবা মুক্লবা মরকসিদা বাংলাদেশকী মৈতৈ চনু অমনা থেংনবা থৌদোক ব্রাথোকশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা শাগৎপা, রিন্দা পব্লিকেসন্সনা ফোঙবা নোভেল অসি হৌজিক মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না পানবা লাইরিক অমা ওইরি।)*

২

*ঙরাংগী মখা...*

চহী কয়াগী মতূং খৃষ্ট কুম ১৯৪৭ অদুৱাই ফাওবদি ঙসি বাংলাদেশকী শরুক ওইরবা মফম অসিখক্তদা মীতৈগী খুল হুম্ফুতরা হেন্না লৈরমই। ভারত পাকিস্থান খায়দোক্লরবা মতূং মীতৈগী খুল কয়া মাঙশিল্লকই। খৃষ্ট কুম ১৯৭১ গী মীয়ামগী নীংতম লান্না বাংলাদেশনা পাকিস্থান্দগী নীংতম্বা ফংলবা মতূং হবিগঞ্জ পানা খক্তদা মীতৈ খুল কুন লৈদুনা 'বির্শ গাউ' হায়না থোল্লম্বদু ঙসিদি খুল তরাতরেৎ মাঙখরে, মমিংতগী ওইনা অহুমখক্তা ঙায়হৌরে। হৌজিক ফাওবদি বাংলাদেশতা মীতৈ খুল নিম্ফুনিথোই হিংদুনা লৈরি, মদুদি, মাঙ্গোলপুর, চিংলিয়া, নগর, ভানুবিল, মঙ্গে মখোঙ, হামোম, কোনাগাউ, শ্রীপুর, গঙ্গানগর, ওক্ত্রেবিল, কাটাবিল, নন্দ লৈকাই, ভান্দারিগাউ, রাম–নাগর, বিলাশর, খাজিপুর, গোবরখলা, আবাদ, খুনৌ, গৌরনগর, কুথাদর, পাথারি, ধামাই, গোরাংবিল, বরইতলী, গোয়ালবারি, নলধরী, পারোয়া, বাইরোং, লাখাত, আম্বরখানা, নোংমাইথেম, খুনৌ (অনৌবা), নারসিংহ টিলা, শাপম লৈকাই, লামাবাজার, কোনুং, ব্রজনাথ, দক্ষিনগাউ, নয়াবাজার, শিবগঞ্জ অমদি দুর্গাপুর খুন্নৌনি। খুলশিংসিগী মরক্তা ধাম্মাইনা য়ূম–চাম্মা হেন্না তাদুনা খ্বাইদগী চাউবা খুল ওইরি। মুৎখ্রবা খুলশিংগী মরক্তা খৃষ্ট কুম ১৮৫০ গী অদুৱাইদগী মণিপুরগী নিংথৌ নরসিংহগী মনাউ ইবুংঙো দেবেন্দ্র ধকাতাবা হায়নশু খঙনখিবা মহাক্না লৈরম্বা ধকাগী মীতৈ খুলশিং ওইরি। মূৎখ্রবা খুলশিংদুদি, তেজগাউ, মণিপুরী পারা, দুর্গাপুর, ব্রজনাথ, বর ধামাই, সোমা লৈকাই, রাজা বাজার, তেজকুনি পারা, উনুং লৈকাই, সরক ব্রাংমা (কদমতলী), খুনৌ চীং লৈকাই অমসুং বিশগাউনচিংবনি। হৌজিক ফাওবদা হিংহৌরিবা খুল নিফুনিথোই অসিগী পুনবা মীতৈ মশীং লীশিং তরাগা চামঙামুক্তগী হেন্না লৈত্রে। অয়াম্বা শরুক হায়বদি, শরুক অহুম থোকপগী অনীদি খৃষ্ট কুম ১৯৭১ গী বাংলাদেশ নীংতম লানগী মনুংদা আসামগী বরাক ভেলিদা, ত্রিপুরাদা অমদি মণিপুরগী মফম খরা শামুশঙ, নিউ চেকোন, শেরৌ অমদি জিরিনচিংবদা খুন্দাদুনা লৈনখ্রে। অসিগুম্বা লেপ্পা লৈতবা পুৱারীগী খোঙচৎশিংসিনা পুরক্লিবা অওনবা কয়াসি য়েংলুরগদি বাংলাদেশসিগী লৈমায়দা মীতৈশিং করম্বা চহী চা ফাওবা লৈখিগদৌরি ? মীতৈশিংতা নত্তে, অপিকপা ফুরুপ কয়া, চাকমা, গারো, খাশি, কুকি, মিজো, খুমি, মগ অমদি মুরংনচিংবশু বাংলা লৈবাকসিদা পংহিং মহিংলি অশুম্না খন্দোক্লগা লৈরগদ্রা ?

খৃষ্টানশিংনা ইজরেলগী জেরুসালেমগী মনুং চন্না লৈবা বেৎলেহেমবু অমুক্তং য়ৌজরবদি খনবগুম মুসলমানশিংনসু সাউডি আরাবিয়াগী মক্কাবু খঞ্জে। হিন্দুশিংসু মসি মঙাই ভারত্তা পোকচরগা ভারত্তা শিজনীংই। করিদবু খেন্নরি, বাংলা লৈবাক্কী মীতৈশিংনসু মণিপুরদা অমুক্তং য়ৌজরুবা ঙম্লবদি থম্মোয়দা খন্নবা ঙাক্লি। ইন্দ্রমনিসু মশিমক্লি সনা লৈবাক মণিপুরদা অমুক্তং চৎচবা ঙমদুনা শ্রীগোবিন্দগী থৌগল অমুক্তং ফংজরুবা ঙম্লগদি পোকপগী মহৈ য়াল্লে খঞ্জরিবনি। অদুবু মসি মাগী পুন্সিদা ওইদ্রগশু মচানুপী গঙ্গাদি ফংলুরসনু খনখি। মসি নৎলমদ্রগদি মচানুপীনা মখোয়না হায়বা ব্রাবু ইন্দদুনা লম্মখাঙদা থেংনবা মীরোৎ ওইরিবা মীশক অমগা পুন্সি ব্রায়থুংননবা লেপখিবা ফিরেপ্তু মখোয় য়াম্না ব্রারৌরমগনি। ঙসিদি, ইন্দ্রমনি নুংতি নুমিৎ খুদিংগী ঈং তপ্না ফজরবী মচানুপী গঙ্গাগীদমক শ্রীশ্রী গোবিন্দদা হে লৈ কচ্চদুনা নিজরি, "হে গোবিন্দ ইবুংঙো, ইচা নুপীগী শিঙ্গ্রেঙগী শিন্দুর মাগী পুন্সি লোইদ্রিবমখে অমুক্তা ফাওবা মুৎহনবিগনু।"

*মথং মথং ...*

## য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

## চাবা (চিঙ্গাক)

*ঙরাংগী মখা...*

**আইওদিন ঃ–** আইওদিন হায়বসি থব্রায়গা মরী লৈনবা মরু ওইবা পোৎচঙ, অদুগা মীনদি থোইনা খঙদবা পোৎশক্লি। মী অমগী হকচাংদা লৈবা আইরন্ অসি গ্রাম অহুমনি হায়বদি আউন্স অমগী তরাগী অমনি। অদুগা আইওদিন্না মশা ফবা মী অমদা মিলিগ্রাম কুন্নমঙানি। মিলিগ্রাম অমা হায়বদি গ্রাম অমগী শরুক লীশিং অমগী অমনি। আইওদিন গ্রাম অমগী নিফুথোকপগী অমা লৈ। আইরন লৈবগী চাম্মা থোকপগী কুনগী রেসীওদা লৈ। ব্রাফম অসি লেবরেটোরীগী ব্রানি, খঙবা লুই। শম্না হায়রবদা গেহু মরু অমগী তংখাইমুক হকচাংদা লৈ। (মুলা মরু অমগী চাংদা) চাং অসি হকচাংদা য়েন্থোকখিবদা য়াওবরা য়াওদবরা খঙবা লুবনি। অদুবু থাইরোইদ হায়বা গ্লেন্দ অদুদগীদা থোকপনিনা চাং অসি লেপ্পা ঙমই। থাইরোইদ অসি আউন্স অমমুক্তা লুমই। মঙোন্দগী হারমোন থোকই। খৌনাউ ময়াদা তোঙথোকইবা অদুনি। মঙোন্দগী থোকইবা পোৎশক অসি "থাইরোক্সীন" কৌই। মসিদা আইওদিন ৬৫ % য়াওই। থাইরোক্সীন হায়বা অসিনা ঐখোয়গী পুন্সিগী অশাদগী ওইবা খোঙচৎ অসি পুবদা তেংবাংই (influenses)। ঐখোয়গী মেতাবলিজম অমসুং মৈশা চাংগীদমক ওক্সিদাইজ তৌবা অমসুং মৈশা পীবা অসি লেপ্পী। থাইরোক্সীন ব্রাৎপগা মী অসি পূক্নীং অমসুং হকচাংদা থীক নেমই, জ্ঞান য়াওদে। লৈশাবী ফারকপা অদুগা অঙাং মীরোনবা মতমদা থাইরোইদকী রস অসি হেন্না চঙবনা খৌপোম্বা লাকই।

**ঙৌ থোনবা ঃ–** সুইচ আল্প, হিমালয়, গ্রেট লেক, মোনটানা, ব্রাসিংতোন ওরেগোন্নচিংবা মফমদা ঙৌ থোল্লি। মরমদি মফমশিং অসিদা লৈবা চীংদা নুঙ্গাইদা লৈরম্বা আইওদিন নোংগী ঈশিংনা চামথোকখিদুনা মনা–মশিংদা অমসুং ঈশিংদা য়াওরক্তবদগী ঙৌ থোনবনি হায়না সাইন্সনা তাকই।

*মথং মথং ...*